

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, TUESDAY, AUGUST 21, 2018 PAGE 7

*ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ক্লব লৈকেষ্টর সিটিদা চহী ৬ শান্নবগী সাইন তৌনখ্রবা নাইজেরিয়া মচা ৱিলফ্রেদ দিদি*

*ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ক্লব মুম্বাই সিটি এফসিদা নৌনা চহী অমা সাইন তৌখ্রবা ব্রাজিলগী শান্নরোই রাফেল বাষ্টোস*

## নুপী রেষ্টলর ভিনেস ফোগৎনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা গোল্ড লৌখ্রে, সুট্টিং ইভেন্টতা লৈবাক অসিমক্কী সুট্টর দিপক কুমার অমসুং লক্ষ্যনা সিলভর মেডল অমমম ফংখ্রে, ইন্দিয়া মেডল টেলিদা ৮শুবদা লৈরি

*জার্কটা । পালেমবাং, ওগষ্ট ২০ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর ভিনেস ফোগৎনা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্ব ওইরগা চত্থরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসকী ঙসি পাঙথোকখিবা রেষ্টলিং ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর দিপক কুমার অমসুং লক্ষ্যসু সিলভর মেডল অমমম ফংখ্রে। ইন্দিয়ানা মেডল টেলিদা গোল্ড ২ সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ অমা ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী রেষ্টলিংগী কেজি ৫০গী কেটেগোরিগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর ভিনেস ফোগৎনা জপানগী রেষ্টলর য়ুকি ইরিবু পোইন্ট ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা কেটেগোরি অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি ভিনেস ফোগৎনা এসিয়ান গেমস অসিগী রেষ্টলিং দিসিপ্লিনদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেডল ওইবা ঙল্লি।

কম্মনৱেল্থ গেমসকী গোল্ড মেডল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ভিনেস ফোগৎনা ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল বাওট অদুগী হৌরকপদা জপানগী রেষ্টলর অদুবু পোইন্ট ৪–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অদুবু লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ২।২ মান্নবা লৌখিবদগী ফাইনেল বাওট অদু ইন্দিয়াগী ভিনেস ফোগৎনা পোইন্ট ৬–২ দা মায় পাক্তুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই ভিনেস ফোগৎনা এসিয়ান গেমস অসিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা বাওটতা কুমজা ২০১৬ তা ব্রাজিলনা য়ুম্ব ওইরগা পাঙথোকখিবা রিও ওলিম্পিক গেমসতা মখোঙ শোক্লা–শোক্লা শরুক য়াবদা চাইনাগী য়ানান সুননা মায়থিবা পীরম্বা অদু এসিয়ান গেমসকী বাওট অদুদা মায়থিবা পীদুনা লম্মন খুম্বা ঙমখি।

এসিয়ান গেমস অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০গী রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী দিপক কুমারনা পোইন্ট ২৪৭.৭ ফংদুনা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদুনা মমাঙগী চেম্পিয়ন চাইনাগী য়াং হাওরাননা পোইন্ট ২৪৯.১ ফংদুনা লৌবা ঙমখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা চাইনিজ তাইপৈগী সুট্টর লু সাওচুৱাননা পোইন্ট ২২৬.৮ দা ফংবা ঙমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী ত্রেপ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর লক্ষ্যনা টার্গেট ৫০ লৈবদা সোট ৩৯ কাপ্পুনা ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদুনা চাইনিজ তাইপৈগী সুট্টর কুনপি য়াংনা সোট ৪৮ কাপ্পুনা ফংবা ঙমখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা কোরিয়া য়ুনিফাইদকী সুট্টর দেমিয়োং আহননা সোট ৩০ কাপ্লগা লৌখি।



*নুপীগী রেষ্টলিং দিসিপ্লিনগী কেজি ৫০দা গোল্ড ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী ভিনেস ফোগৎপু থাঙ্গৎতুনা হরাওবা*

বেদমিন্টনঃ–

এসিয়ান গেমস অসিগী বেদমিন্টন দিসিপ্লিনগী ঙসি লম্বা তৌখিবা টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম জপানগী মখূত্তা মেটচ ১–৩ দা মায়থিবা নংখ্রে।

টিম ইভেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবা শান্নরোই পি ভি সিন্ধুনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৮, ২১–১৯ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী এন সিক্কি রেদ্দি অমসুং অরাথি সুনিলবু জপানগী পেয়র য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সায়াকা হিরোটানা মায়থিবা পীরম্বদগী মেটচ ১–১ দা মান্নখি।

অহুমশুবা নুপীগী সিঙ্গলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং জপানগী নোজোমী ওকুহারানা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা তৌরবা মতুং জপানগী শান্নরোই ওকুহারানা ২১–১১, ২৩–২৫, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা মেটচ ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচ ৫গী টাই অদুগী মরিশুবা মেটচতা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন জপানগী মিসাকি মাটসুটোমো অমসুং আয়াকা টাকাহসিনা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং আস্বিনি পোনাপ্পাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা য়াম্না কোম্না ২১–১৩, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্বদগী টাই অদু জপাননা ইন্দিয়াবু মেটচ ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

সেপাক তাক্রোঃ–

ইভেন্ট অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী সেপাক তাক্রোগী মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা ইরানবু ২১–১৬, ১৯–২১, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবদগী মেডল অমদি শোয়দনা ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে।

নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী টিম ঙসি লাওসকী মখূত্তা গেম ১–২ দা মায়থিহৌখি। ইন্দিয়াগী নুপীগী সেপাক তাক্রো টিম অসিনা অহানবা শান্নখিবা মেটচতা সাউথ কোরিয়ানা গেম ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

কবাদ্দিঃ–

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপা কবাদ্দি টিম কোরিয়া য়ুনিফাইদকী মখূত্তা য়াম্না নক্লবা স্কোরদা ২৩–২৪ দা মায়থিহৌখি।

গেমস অসিগী গোল্ড মেডল ৭ লক ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী টিম্না ঙসি মায়থিহৌবা অসি এসিয়ান গেমসকী পুৱারীদা চহী ২৮গী মতুংদা অহানবা ওইরি। ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীরম্বা কোরিয়াগী টিম মমাঙদা ইঞ্চিওন এসিয়ান গেমসতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপকী অনীশুবা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী টিম্না থাইলেন্দবু পোইন্ট ৩৩–২৩ দা থোইবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী নুপী কবাদ্দি টিম অসিনা শ্রী লঙ্কাগা শান্নরবা মতুং গেমস অসিগী য়ুম্ব লৈবাক ইন্দোনেসিয়াগা লম্বা তৌনগনি।

টেন্নিসঃ–

টেন্নিস মশান্নগী ওইনা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই রামকুমার রামানাথন অমসুং অনকিতা রাইনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

গেমস অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানথননা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা হোং কোংগী শান্নরোই ৱোং হোং কিটপু ৬–০, ৭–৬(৭–৪) দা মায়থিবা পীরম্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



*নুপাগী মিটর ১০গী রাইফল ইভেন্টতা সিলভর ফংখ্রবা দিপক কুমার*

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা বিট্রিস গুমুলায়াবু ৬–২, ৬–৪ দা থোইরম্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

রোৱিংঃ–

ইঞ্চিওন এসিয়ান গেমসতা ব্রোঞ্জ ফংখিবা ইন্দিয়াগী দুসিয়ন্টকা লোয়ননা নুপাগী ক্বাদ্রুপল টিম ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

**Asian Games 2018: Medals table**

| Rank | Nation | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 15 | 12 | 9 | 36 |
| 2 | Japan | 8 | 11 | 11 | 30 |
| 3 | Korea | 5 | 9 | 10 | 24 |
| 4 | Indonesia | 4 | 2 | 2 | 8 |
| 5 | North Korea | 4 | 1 | 2 | 7 |
| 6 | Iran | 3 | 2 | 3 | 8 |
| 7 | Chinese Taipei | 3 | 1 | 4 | 8 |
| 8 | India | 2 | 2 | 1 | 5 |
| 9 | Mongolia | 2 | 0 | 4 | 6 |
| 10 | Uzbekistan | 1 | 2 | 4 | 7 |
| 11 | Kazakhstan | 1 | 2 | 3 | 6 |
| 12 | Thailand | 1 | 1 | 4 | 6 |
| 13 | Jordan | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 14 | Kyrgyzstan | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 15 | Hong Kong | 0 | 1 | 4 | 5 |
| 16 | Vietnam | 0 | 1 | 3 | 4 |
| 17 | Lebanon | 0 | 1 | 2 | 3 |
| 18 | Philippines | 0 | 0 | 3 | 3 |
| 19 | Malaysia | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 19 | Singapore | 0 | 0 | 1 | 1 |



*নুপাগী ত্রেপ ইভেন্টতা সিলভর ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য*

## ৱার্ল্ড নম্বর ৱান রোমানিয়াগী হালেপ মায়থিবা পীদুনা নেদরলেন্দসকী বর্টেন্সনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলনা জোকোভিসনা ফংখ্রে

*মেসোন, ওগষ্ট ২০ঃ*

ৱার্ল্ড নম্বর ৱান রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা য়ুএসএগী মেসোন সিটিদা চত্থরিবা সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলনা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা ফংখ্রে।

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইরগা সেট অমা মাঙজিল থাখি।



*নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবী নেদরলেন্দসকী বর্টেন্স (য়েৎ) অমসুং রন্নর্স অপ রোমানিয়াগী হালেপ*

অনীশুবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকপদগী টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু ৭–৬(৮–৬) তা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬–২ দা থোইদুনা সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ১০শুবা সিদেদ শান্নরোই সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর টু সিদেদ শান্নরোই স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ঙসি ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিস মমাঙদা মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা শান্নরোই ঙাক্তনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নরকখ্রবসু লোইশিল্লকপদা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অমা মাঙজিল থারবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা অনীশুবা সেট অদুদসু স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোই রোজর ফেদররবু লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী সেট অদুসু মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইদুনা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

সিনসিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা নম্বর ৪ সিদেদ গ্রেট বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরেজনা ৭শুবা সিদেদ পেয়র কলম্বিয়াগী সেবাষ্টিয়ান কবাল অমসুং রোবার্ট ফারাহবু সেট ২–১ দা থোইরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট কলম্বিয়াগী পেয়রনা বৃটেন অমসুং সোরেজগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরবা বৃটেনগী মুরে অমসুং ব্রাজিলগী সোরেজনা কন্না হোৎনরক্তুনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা সেট অদু ৬–৩, ১০–৬ দা মায় পাকপা ঙমখিবদগী নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।



*নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিস*

## স্পেনগী লা লীগাদা রিয়েল মাদ্রিদনা গেটাফেবু ২–০ দা থোইখ্রে ইটালিগী সেরি এ দা ইম্পোলিনা কাগলিয়ারিবু ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মাদ্রিদ । রোম, ওগষ্ট ২০ঃ*

য়ুরোপকী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলদা রিয়েল মাদ্রিদনা গেটাফেবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইখ্রে, ইটালিগী সেরি এ দা ইম্পোলিনা কাগলিয়ারিবু ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

স্পেনগী লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা ক্লব রিয়েল মাদ্রিদনা গেটাফেবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং গেটাফেনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা দেনিয়েল কারভাজালনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা গেটাফেবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু হাল্ফ অদু লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা রিয়েল মাদ্রিদকী পাঞ্জল অদুগী মখা চনশিন্নবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা জেরেথ বেলনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা গেটাফেবু মখোয়না ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপসু রিয়েল মাদ্রিদনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু রিয়েল মাদ্রিদনা গেটাফেবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।



*রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই জেরেথ বেলনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা মতাং*

ইটালিদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইম্পোলিনা কাগলিয়ারিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা ইম্পোলিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা রাদে ক্রুনিকনা চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাল্ফ অদু ইম্পোলিনা কাগলিয়ারিবু ১–০ দা মাঙজিল থারগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা ইম্পোলিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ফ্রাসেস্কো কাপুটোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা কাগলিয়ারিবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ৩৯গী মতম অদুনা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখ্রবসু মায় পাকপা ঙম্নদনা লাকখিবদগী মেটচ অদু ইম্পোলিনা কাজলিয়ারিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সাসুলোনা ইন্টর মিলানবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা নিমেসনা মার্সেলিবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।